# উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী ফুংথা খুনগী চীংথক্তা লৈরিবা নুংপাক্তা শারিবা খোই মহুম অঙকপা মওংনি : অফাও

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা ফুংথা খুনগী চীংথক্তা লৈবা নুংপাক্তা শারিবা খোই মহুম অঙকপা মওং অমনি হায়না ফুংথা খুনগী খুনবী অফাওনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিগা অখন্নবা উনবদা অফাওন হায়খি, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফম কয়া গাড়ী ফাওদবা মরম্না ফজবা কয়া অসি উবা ফংদনা লৈরক্লি। বর্মা বোর্দরগী অঙ্গো চীংশাংদা লৈরিবা মফমগী ফজবা কয়া অসি শেমগৎলবদি টুরিষ্টকী ফজরবা মশক লাক্কনি। উখ্রুলগী ফজবা কয়াসি মালেমদা শক তাক্কনি। শিরুই চৎপা লম্বীদগী ফুংথা তাবা রোনি খুন ফাওবগীদি পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা শেম্বা হৌরে। উখ্রুলদগী ফুংথা ফাওবসি কিলোমিটর ৬৫ রোমনি। রোনিদগী ফুংথা ফাওবসি চীং কাদুনা চৎপা লম্বী ঙাক্তনি। ঙসি ফাওবা শক্তিমান নত্তনা গাড়ী অমত্তা চৎত্রি। ফুংথাগী ফজরবা ঈশিং চাইবী লৈ। ফুংথা খয়াং ৱাটর পোল হায়না খঙনবা অসিসু লৈরি। ৱাটর পোল লৈরিবা অসিদগী কিলোমিটর ৫ রোম চৎলগা চীংচেপ ওইনা নুংপাক অমসু লৈ। নুংপাক ওইনা লৈরিবা অসি কিলোমিটর অমা হেন্না শাংবা চীংচেপতনি। নুংপাক অসিদা খোই মহুম শারিবা অসি চহী চহীগী ওইনা খোই মহুম ৪০০/৫০০ হেনগৎলগা শাবা মরম্না মফম অসি খোইগী মকোল ওইনা লৈরে। খোইবী নিংথৌ হায়না কৌনবা খোই অদুনি। চীংমায় অসিদা শারিবা খোই মহুম অসি য়ু এস এদগী মীওই কয়া লাক্লগা য়েংলম্লে। নুংপাক্তা অসুম্না খোই মহুম শাবসি অমুক্তা উদ্রি হায়না হায়রমখি। খোই মহুম অসিদগী মার্চ, এপ্রিল, মেদা খোইহি লোকই। নবেম্বর অমসুং দিসেম্বরদসু লোকই। খোইরুনা নুপীশিংনা ফি শাবদা শীজিন্নে।



অমুক লোকপদা গ্রাম ১০০/২০০ রোম লোকপা য়াওই। খোইরা য়ান্থরিবা নুংসি চীংমায় ওইবনা চৎপা কয়া ঙম্নদে।

নুংপাক খোই শারিবা অসি তুরেলগী ঈমায়দগী ফুট ৩০০ গী মথক্তা লৈবা মফমনি। খোইগী মপু অসি ফুংথাগী পাষ্টর ওইরি। খোই লোক্কে হায়রবদি মপু ওইরিবা পাষ্টর জিমিক্তা হায়রগা লোকপগী চৎনবী লৈ। খোই অসি হুরানবা য়াদে। মপু হায়দ্রগদি চিকই হায়না মপুদা হায়রগা লোকপগী চৎনবী লৈ। খোই অসি তাংখুল লোলদা সলেং কৌই। খোইহিসি লোক্লগা য়ু শুংই। য়ু অসিসু ঙাওবগী চাং কয়া য়াওদে। হকচাং ফননবা থকপনি। নুপীশিংদদি হেন্না কান্নবা পীবা হিদাক অমনি। নুপীশিংগী ঈ নুংশিৎতা কান্নবা পী হায়না শীজিন্নরি। য়ু থোংবা মতমদা ঈশিং বট্টল ৪/৫ দা খোইহি বট্টল অমা হাপ্লগা লোনগনি। নুমীৎ ৪৫ থল্লবা মতুংদা থক্লবদি হেন্না ফবা ওই। থুনা থক্কে হায়রগনা খোইহি বট্টল অমদা ঈশিং লিটর ৭/৮ হাপ্লগা লোন্দুনা থক্কনি হায়খি।

# লুচিংবশিংগী ৱাখল্লোনশিং ঐখোয়না থবক্তা ওন্থোকপা চঙই : জয়ন্তকুমার

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): নেসনল লিদরশিংগী ফিলোসোফি অমদি আইদিওলোজিশিং ঐখোয়না থবক্তা ওন্থোকপা চঙই হায়না হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ঙসি নেসনল রি-দেদিকেসন দেগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট লৈঙাক্লা শীন্দুনা ঙসি মণিপুর সেক্রেটেরিয়টকী হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, ওক্টোবর ৩১ অসি রাষ্ট্রিয়া সংকল্প দিবস হায়না থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ইনিদয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বী ইন্দিরা গান্ধীনা লৈখিদবা নুমীৎতা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। লুচিংবী অসিনা কথোকপগা লোয়নননা হোৎনরম্বা অদুবু ঈকায় খুম্নদুনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। কুমজা ১৯৮৪ গী ওক্টোবর ৩১দা ইন্দিরা গান্ধী মহাক্কী পর্সনেল গার্দনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি। থৌদোক অসি মালেমগী মীয়াম্না নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লখি। মহাক লৈখিদবা অসি লৈবাকসিগী চাউনা মাঙজবা অমনি। ইন্দিরা গান্ধীনা মীয়ামগীদমক কথোকপগা লোয়নননা হোৎনরম্মী। লুচিংবশিংগী ফিলোসোফি অমদি আইদিওলোজিশিং অসিবু ঐখোয়না নীংশিংবা তাই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুর প্লান্নিং বোর্দকী দেপ্যুটি চ্যেরমেন এস রাজেননা হায়খি, ইন্দিরা গান্ধী লৈবাক অসিগীদমক কথোকপগা লোয়নননা হোৎনরম্বী লুচিংবী অমনি। মহাক্লা হোৎনরম্বা কয়া অদু কাউবা য়ারোই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ডা. সুরেশ বাবু, দি জি পি, এল এম খৌতে অমদি ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

# কোকোমিগী লমজিং মখাদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথখিবা চেকশিন মীফম অমদি মৈরা খোঙচৎ

















# রাষ্ট্রিয়া একটা দিবস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): এস ঐচ ক্যু বি এস এফ কোইরেঙ্গেগী মীৎয়েং মখাদা ১৮২ বট্টালিয়ন বি এস এফনা শীন্দুনা ঙসি রাষ্ট্রিয়া একটা দিবস থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না সেকেন্দ ইন কম্মান্দ ফোর কম্মান্দেন্ট ১৮২ বট্টালিয়ন বি এস এফ, টি ঐচ বিনোতনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সদার ভল্লাভাই পটেলগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। থৌরমসিগী মনুং চন্না রন ফোর য়ুনিটি ঙসি অয়ুক ১৮২ বট্টালিয়ন বি এস এফকী হোকি গ্রাউন্দগী দি আই জি এস ঐচ ক্যু রাজেশ কুমারনা ফ্লেগ ওফ তৌখি। ১৮২ বট্টালিয়ন বি এস এফকী কম্মান্দেন্ট নিতিন গুপ্তসু শরুক য়াখি। মশিং য়াম্লবা বি এস এফ পর্সনেলশিংনা য়ুনিটি রনদা শরুক য়াখি। তুংদা দি আই জি এস ঐচ ক্যু রাজেশ কুমারনা ৱাশক লৌখি। মার্চ পাষ্ট পেরেদসু পাঙথোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ঙা য়োনখিবা ঙামীশিং থাগৎলি : হাওবিজম কাংজাম্বা

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): দি এম কোলেজ গ্রাউন্দদা ফিশরি দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ফিশ ক্রোপ কম্পিটিসনদা ঙা য়োনবা লাকখিবা ঙামীশিংবু থাগৎলি হায়না নেসনল এসোসিএসন ওফ ফিশরমেন মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা এক্স-মিনিষ্টর হাওবিজম কাংজাম্বনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ফিশরি দিপার্টমেন্টনা অসিগুম্বা মেলা অমা শীন্দুনা ঙা লৈবা ফংহনবগীদমকসু থাগৎলি। ঙাগী মমল তাঙই নৎত্রগা তাঙদে হায়বা কয়া য়াওদে। মণিপুরদা পাৎ কয়া লৈ। মসিদা ঙা য়োকপা য়াম্না ৱাই। মপানগী ঙাগী মমলগা য়েংনবদা থোইনা তাঙদবরা খল্লি। মণিপুরগী সী এমনা মণিপুরদা ঙাগী পোত্থোক ৱাৎতনবা কন্না হোৎনরি। ফিশরি দিপার্টমেন্টদা লৈঙাক্লা পীরিবা বজেট অসি য়াম্না পীকই। পি দল্লিয়ু দিগী অচৌবা থোং অমা শাবগী বজেটনা হেন্না চাউই। মসিনদি চীফ মিনিষ্টরগী অনীংবা অদু ফংবা ঙম্লোই। দিপার্টমেন্ট অসিদা বজেট চাউনা পীদুনা মণিপুর অসি ঙা হোংবা ওইহনবীয়ু।

নেসনল ফিশরি দিভলপমেন্ট বোর্দ হায়দ্রবাদনা ঙাগী পোত্থোক মরাং কায়না পুথোক্লবা গ্রান্টকী শেনফম কয়ামরুম ঙামীশিংদা পীরি। থৌরাং অসিগী মখাদা গ্রান্ট লৌবা পাম্বা ঙামীশিংনা তানসি। ইন্দিয়া লৈরিবা দিপার্টমেন্ট পুম্নমক্তগী খ্বাইদগী ইনকম কাবা অসি ফিশরি দিপার্টমেন্ট ওইরিবনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ঙা মপান লমদা থাদোক্তুনা শেল তানবা ঙম্মী। ফিশরি দিপার্টমেন্ট অসি মণিপুর লৈঙাক্লা য়েংশিনবা ৱাৎপদগী অশোনবা দিপার্টমেন্ট ওইরিবনি। ঙা য়োক্লবা পুখ্রি তৌবা চঙই। পুখ্রি তৌনবা ফিশরি দিপার্টমেন্টকী বুলদোজর হান্না লৈরম্মী। হৌজিক্তি লৈবা উখিদ্রে। ঙা হোন্নবা গাড়ী লৈ অদুবু ঙা হোনবা উদে হায়রি।

# নুংশি শৈরোল শৈথা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফালগী নুংশি শৈরোল শৈথা থৌরম হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবদা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না সোসাইটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. জি বিজয়কুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অসিদা মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমী ন্যু দিল্লিগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা অথোইবা লেংবীরকপা, মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজর বোর্দ সাহিত্য একাদেমীগী জেনরেল কাউন্সীল মেম্বর ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসমনা অখন্নবা লেংবীরকপা অমদি মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট শামুলাইলাৎপম প্রহ্লাদ শর্ম্মনা থৌরম মপু ওইগনি। নুমীৎ অসিদা মণিপুরী খোরিরোলবু নুংশিবা অমদি পূক্নিং থৌগৎপশিংনা শৈরেং খুদোল তম্বীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ইন্দিরা গান্ধী লৈখিদবগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়াদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বী ইন্দিরা গান্ধী লৈখিদবগী কুমওন থৌরম ঙসি কোংগ্রেস ভবন ইম্ফালদা পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী হৌরকপদা সী এল পি লিদর ও ইবোবী অমদি এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট এম ওকেন্দ্রোনা লুচিংদুনা ইন্দিরা গান্ধীগী শক্তমদা লৈ-শু কৎখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা সী এল পি লিদর ও ইবোবীনা হায়খি, লৈখিদ্রবী ইন্দিরা গান্ধীনা হিংলিঙৈদো লৈবাক্কীদমক তৌরম্বা থবকশিং শীংথাবদা লোইবা নাইরোই। লৈখিদ্রবী অসিনা শিগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈ ওরিষাদা পাঙথোকখিবা রেল্লি অমদা, মহাক শিখিবা য়াই অদুবু হকচাংদগী তারকপা ঈনা অপূনবগী শক্তম চেৎশিনবা ওইরসনু হায়না ফোঙদোক্লম্মী। মীয়ামগীদমক কথোক্লবী লুচিংবী অসিগী থৌনা লিংজেল ঐখোয়না খঙমিন্নবা তঙাইফদে। ইন্দিরা গান্ধী মহাক্কী গার্দনা হাৎখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বী ইন্দিরা গান্ধীনা থোং মান্ননা চাউখৎপা লমদম অমা ওইহন্নবগীদমক হনবা লৈতনা হোৎনরম্মী। মহাক্কী থৌনা লিংজেল অদু নীংশিংবা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এ আই সী সীগী সী দল্লিয়ু সী মেম্বর গাইখাঙম, এম পি সী সীগী মরুওইবা থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

# নেসনল য়ুনিটি দে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): গ্রুপ সেন্টর সী আর পি এফনা শীন্দুনা ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবদা জি সী, সী আর পি এফ কেম্পস ইম্ফালদা নেসনল য়ুনিটি দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না জি সী, সী আর পি এফকী দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস আই লোকেন্দ্রনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অদুদা এক্স-এম এল এ সাপম কুঞ্জকেশ্বরনা চীফ গেষ্ট ওইখি। থৌরম অসি আইরনমেন ওফ ইন্দিয়া ভল্লাভাই পটেলগী মপোক নুমীৎ থৌরমদা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা মার্চপাসসু চৎখি।

চীফ গেষ্ট ওইখিবা এক্স-এম এল এ সাপম কুঞ্জকেশ্বরনা, সদার ভল্লাভাই পটেলনা লৌরম্বা থৌদাং কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি। জৱানশিংনা লৌরিবা থৌদাং কয়াগী মতাংদসু ৱাফম কয়া থমখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# মেজর জেনরেল বিপিন বক্সিনা ইন্সপেক্সন তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): এন সী সী দিরেক্টোরেট, এন ঈ আরগী এ দি জি মেজর জেনরেল বিপিন বক্সি ভি এস এমনা ঙরাং ইম্ফালদা থুংলবগা লোয়ননা গ্রুপ হেদ ক্বার্টর ইম্ফাল ইন্সপেক্সন তৌখ্রে হায়না পি আই বি দিফেন্স ৱিংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মেজর জেনরেল বিপিন বক্সিনা ইন্সপেক্সন তৌখিবা অদুদা মণিপুর এন সী সীগী কেদেট কয়াসু শরুক য়াখি। খোঙচৎ অদুদা মেজর জেনরেল বিপিন বক্সিনা হায়খি, এন সী সী এদ্যুকেসনগী ফেসিলিটি লৈবা স্কুল অমদি কোলেজশিং লাইবক ফবনি। কেদেটশিংদা ট্রেনিং নীংথিনা পীগদবনি। খুন্নাইগী ৱাখল খনবা সিটিজনশিং ওইহন্নবগীদমক মহৈরোয়শিংবু শেমগৎপা তাই। এন সী সী হায়বসি মালেমগী ওইনা য়াম্না চাউরবা ওর্গনাইজেসন অমনি। এন সী সীনা নহাশিংগী দিসিপ্লিন অমদি পর্সনেলিটি দিভলপ তৌবদসু মতেং ওই হায়খি।

থা অসিগী ৩০ অমদি ৩১ দা মেজর জেনরেল বিপিন বক্সিনা ইম্ফালগী খোঙচৎতা লাকখিবনি। ষ্টেট এদভাইজরি কম্মিটি ওন এন সী সীসু ফমখ্রে। এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রাধেশ্যামনা চ্যেরমেন ওইরগা মীফম অদু পাঙথোকপনি। মীফম অদুদা এন সী সীগী ওইবা ইস্যু কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# চান্দেলদসু য়ুনিটি দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): সর্দার ভল্লাভাই পটেলগী মপোক নুমীৎপু ইন্দিয়া পুম্বদা নেসনল য়ুনিটি দে হায়না পাঙথোক্লবগুম চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতসু ঙসি থৌরম অসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা নেহরু য়ুব কেন্দ্রনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেলগা খুৎশম্নদুনা রন ফোর য়ুনিটিসু পাঙথোকখি। চান্দেল ইন্দোর ষ্টেদিয়মদগী মিনি সেক্রেটেরিয়ট ফাওবা চৎখি। থৌরম অদু দি সী চান্দেল কৃষ্ণকুমারনা ফ্লেগ ওফ তৌখি। থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা সর্দার ভল্লাভাই পটেলগী শক্তমদা লৈ-শু কৎখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা নেহরু য়ুব কেন্দ্রনা স্পোন্সর তৌবা শান্ন-খোৎনবগী পোৎলম কয়াসু দেপ্যুটি কম্মিস্নারনা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী য়ুথ ক্লব অমদি স্কুল কয়াদা য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা চান্দেলগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস এন মধুনিমাই, এ দি সী, ডা. এ চিংলেনখোম্বা, এস দি ওশিং অমদি ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

# ফিশ ফ্যের কম ফিশ ক্রোপ কম্পিটিসন ২০১৯ গী মকোক মথং তারবশিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): দি এম কোলেজ ওফ আর্টস গ্রাউন্দ থাংমৈবন্দদা থা অসিগী ২৯ দা পাঙথোকখিবা ফিশ ফ্যের কম ফিশ ক্রোপ কম্পিটিসন ২০১৯ গী মকোক মথং তারবশিং লাউথোক্লে হায়না দিরেক্টোরেট ওফ ফিশরিজগী এদিসনল দিরেক্টর খাংসিং অহুমনা থোকপা নোটিফিকেসন অমনা হায়রি।

নোটিফিকেসন অদুনা হায়, ফিশ ক্রোপ কম্পিটিসন ২০১৯দা মকোক মথং তাখ্রবশিংদি, অহানবা পোজিসনদা কাইরেনফাবীদগী ঐচ রবি, অনীশুবা পোজিসনদা কৈবুল সলামদগী তোংব্রম রঘু অমদি অহুমশুবা পোজিসনদা খাবম বমদিয়রদগী লৈশাংবম ধনচন্দ্রনি। ইন্দিজিনস ফিশ খ্বাইদগী পুথোকপগী মনাসু খাবম বমদিয়রদগী লৈশাংবম ধনচন্দ্রনা তাখি।

সী ঈ ও, এফ এফ দি এ বিষ্ণুপুরনা স্পোন্সর তৌদুনা পুথোকপা অহানবা পোজিসন তাখ্রবা কৈরেনফাবীদগী রবিনা ঙা কেজি ২০৪৫০ পুথোকখি। দি এফ ও বিষ্ণুপুরনা স্পোন্সর তৌরগা পুথোকপা অনীশুবা পোজিসন তাখিবা তোংব্রম রঘুনা ঙা কেজি ১২২৫০ পুথোকখি। দি এফ ও, ইম্ফাল ৱেষ্টনা স্পোন্সর তৌরগা পুথোকপা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবা লৈশাংবম ধনচন্দ্রনা ঙা কেজি ১০৯২০ পুথোকখি।

ইন্দিজিনস ফিশ খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপগী মনা ফংখ্রবা লৈশাংবম ধনচন্দ্রনা ইন্দিজিনস ফিশ কেজি ৩২৮০ পুথোকখি। বেষ্ট ফিশ প্রদর্ক্সন ওফিসর অসি তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা সী ঈ ও, বিষ্ণুপুর হেমচন্দ্রনা তাখি। চীংগী দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা দি এফ ও চান্দেল কে ঐচ ইবোতোম্বীনা তাখি। কন্সোলেসন প্রাইজ কয়া অমসু লৈরি। দিরেক্টোরেট ওফ ফিশরিজনা শীনবা ফিশ ফ্যের কম ফিশ ক্রোপ কম্পিটিসন ২০১৯ অসিদা ঙা কেজি ৯০,০০০ পুথোক্লবা টার্গেট তৌখি। অদুবু ফিশ ফ্যের অসিদা ঙা কেজি ৯৪,৯৫৫ পুথোকখি হায়নসু নোটিফিকেসন অদুনা মখা তারি।

# নৈনহৌদবা য়াদবগী তাঙ্কক লাক্লে : ওর্গনাইজেসন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): মালেমদা য়াম্না অকি-তুজুংলবা ফীভম কয়া ওইরক্লিবা অসিদা খন্ন-নৈনহৌদবা য়াদবগী তাঙ্কক লাক্লে হায়না য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও) গী সেক্রেটরি এ জিতেননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, য়ু এন দেগী য়াইফ পাউজেল পীরি। করি করম্বা থবক চথরুবগী ঙসিগী মালেমদা অকি-তুজুংলবা ফীভম ওইরক্লিবনো হায়বসি খন্ন-নৈনহৌদবা য়াদবগী তাঙ্কক লাক্লে। লৈবাকশিংগী মরক্তা সোফিষ্টিকেটেদ ওইবা খুৎশু-খুৎলায়শিং শাগৎনদুনা লানগী এক্সর্সাইজ পাঙথোক্লরি। অচৌবনা অপীকপা য়োৎশিনগদবগী তৌরি। মালেমদা য়াম্না মীপায়বা পোক্লরিবসি অকি-তুজুংবগী ইস্যুনি। অচৌবা কাঙলুপনা মচাশিংগী লৈজরম্বা মশা-মশাগী রাইট খোঙ্গাওনরুবা, চৎন-কাঙলোন ময়াম ভাইয়লেট তৌরুবনা ওইগদ্রা খল্লি। ভাইয়লেন্স লাকশিন্নব হোৎনবদা খুৎলায় শীজিন্নদুনা কাপ্পা, হাৎপা কয়া অমসুনি। য়ু এননা মীৎয়েং চঙদুনা অচুম্বা মশক খঙদোক্লগা নেগোসিয়সনলোমদা লাক্লবা হোৎনবা তঙাইফদ্রা খল্লি।

চাউখৎপা হায়বসি ঙসিদি করিদা মীৎয়েং থম্লগা খল ওল্লিবনো। য়েংবা মতমদা মীনা শাবা পোৎশকনা মীবু লাইনা হাৎপা য়াবা অমদি খুৎশু-খুৎলায় কয়া লৈবা লৈবাক্তু চাউখৎপা লৈবাক ওইরক্লি। মীনা মীবু হাৎনবা শারিবা পোৎশকশিংদুদা অহেনবা শেনফম থাদরবসু লমদম অদুদা লৈরিবা মীওই কয়া অমনা চরা অনী শুনা চাবা ঙমদবা, য়ুম লৈতবা কয়া অমসুনি। ৱানা পুন্সি লেনবা মীওই মিলিয়ন কয়া অমা লৈরিবা অদুবুদি উশিনবা ঙমদবা, মালেমসি মথন্তগী ওইনিংবা ৱাখল্লোন অদুমক্লি। ঙসিগী মালেমদা তৌরিবা থবক থৌশিলশিং অসি লোর্দ মিংথোল ফংখ্রবশিংগী ৱাখল্লোনগী ৱাংমদনি। তায়ওন্নবা ঙাক্তনি। লাইনিং-লীচৎকী মকোক্লা তৌ হায়বা থবক ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না তৌদবা, অকি-তুজুংলবা থবক থৌরম কয়া চথদুনা লৈরিবসি লাক্কনি খন্দুনা ঙাইনরিবা মপু মানা পেনবীগদ্রা হায়বসি খন্থদুনা য়েংবা মতম ওইদ্রিবরা হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# নেসনল য়ুনিটি দে থৌরম পাঙথোকখ্রে, মার্চ পাষ্ট চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): ষ্টেট লৈঙাক্লা শীন্দুনা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা ঙসি রাষ্ট্রিয়া একটা দিবস (নেসনল য়ুনিটি দে) গী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

সর্দার ভল্লাভাই পটেলগী মপোক নুমীৎ থৌরমগা লোয়ননা নেসনল য়ুনিটি দেগী থৌরম অসি কুমজা ২০১৪ দগী হৌনা পাঙথোরকখিবনি। আইরনমেন ওফ ইন্দিয়া হায়না মিংথোল পীখ্রবা সর্দার ভল্লাভাই পটেলগী মপোক নুমীৎ অসিবু নেসনল য়ুনিটি দে হায়না চথরকখিবগী শরুক অমা ওইনা ষ্টেট লৈঙাক্লা শীন্দুনা ঙসি থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা মঙাশুবা ইন্দিয়া রিজার্ভ বট্টালিয়নগী কম্মান্দেন্ট এস ঐচ জুগেশ্বরনা পেরেদ কম্মান্দর ওইরগা মার্চ পাষ্ট পেরেদ চৎখি। থৌরম অদুদা ৱার্ক্স এন্দ আই পি আর মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা চীফ গেষ্ট ওইখি। সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন, এদ্যুকেসন, লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যাম, এম এল এশিং, মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ডা. সুরেশ বাবু, দি জি পি, এল এম খৌতে অমদি মণিপুরগী মকোক থোংবা সিভিল অমসুং পুলিসকী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি। নেসনল য়ুনিটি দেগা মরী লৈননা ৱাশকসু লৌখি হায়রি।

ADMISSION OPEN

ENGLISH & RHYMES COURSES

CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/5687/24/9-23/10

APOLLO TUTORIAL CENTRE

Admission Open For

XII-Sc CONDENSE REVISION COURSE HSE(COHSEM & CBSE) 2020

SUBJECT : ENGLISH+PHY+CHEM+BIO+MATHS

LAST DATE OF FORM SUBMISSION 12TH NOV. 2019

CLASS STARTS 18TH NOV. 2019

OFFER

- HOSTEL PACKAGE (BOYS & GIRLS)
- 20 % FEE CONCESSION TO FIRST 20 STUDENTS

FOR DETAILS Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office,(7am to 7pm)

HL-B/5743/15/10-14nov